# থিয়েটর ডাইরেক্টর নবা ৱারেপ্পদা খোমদ্রাম ধনচন্দ্র নীংশিং মনা ২০২০ খূৎশিন্নখ্রে

মণিপুর ড্রামাটিক য়ুনিয়ন (এম দি য়ু)গী 'অর্ষ্টিস দে'গী থৌরম থা অসিগী ১৮ লৈবাকপোকপা নুমিৎতা য়াইস্কুল পুলিস লেন ইম্ফালদা লৈবা সংস্থান অসিগী ওডিটোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে। লমদম অসিগী খ্বাইদগী লীরবা থিয়েটর সংস্থান অসিদগী হৌখিবা লমদম অসিদতা নৎতনা মলেমদা লমদম অসিগী পূক্কে চোল্লবা কলাগী মশকপু শক্তকপদা মায় পাক্লা থৌদাং য়ারব্বা লৈখিদ্রবা অর্ষ্টিসশিংবু নীংশিংজবা অমদি ইকায় খূম্নবা উৎতুনা অলখিদ্রবশিংগী ফোটোদা লৈ-শু কৎপনা মপুং ওইবা থৌরম অমা ওইখিবা থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা খোমদ্রাম ধনচন্দ্র ফাউন্দেসননা পীবা " খোমদ্রাম ধনচন্দ্র নীংশিং মনা" থিয়েটরগী শক্লাইরবা ডাইরেক্টর নবা ৱারেপ্পদা লাম্থোকখ্রে।



লমদম অসিদা ড্রামাগী খোঙচৎনা হৌরকপা মতমদা কৎথোকপগা লোয়ননা চাউখৎন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরকখিবতা নৎতনা মশামক মণিপুর ড্রামাটিক য়ুনিয়নগী ফাউন্দর প্রসিদেন্ট ওইখিবা " নাট্য রত্ন" খোমদ্রাম ধনচন্দ্র সিংহনি।

শক্লাইরবা অসি য়াম্না অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা লীলা, ড্রামাদা পামজবা মীশক অমা ওইনা হৌরকখি। খৃঃ কুমজা ১৯২৫ গী সেপ্তেম্বরদা সনা কোনুংদা ষ্টেজ শেমদুনা শান্নখিবা লাইরেনময়ুম ইবুংঙোহল সিংহনা ইবা মণিপুরী লোনগী ইহান হানবা ড্রামা নরসিং হদা নরসিংহ শাখি। মতুংদা মণিপুর ড্রামাটিক য়ুনিয়ন লিংখৎলবা মতুং সংস্থান অসিগী লীলা কয়াদা মরুওইবা শক্তম লাঙদুনা শক্লাইরবা এক্টর অমা ওইরকখি। কর্ণ অর্জুন লীলাদা ভিম শাবদা মীয়াম্না শীংথানবীদুনা মতমদুগী মীয়াম্না ভিম শাবা হায়না শকখঙবিখি।

" অরেপ্পা মরুপ"তা লাইরিক হৈতবা অমগী শক্তম লাঙবদা মীয়াম্না য়াম্না পাম্নখি। শক্লাইরবা ওজা অসি এক্টর অমা ওইবতা নৎতনা শীংথানিঙাই ওইরবা হন্দালোয় অমসু ওইরকই। বঙ্গলাগী লীলা কয়া হন্দোক্তুনা এম দি য়ু অমদি অতৈ ড্রামাগী কাঙলূপ কয়ানা শান্নহনখি। লীলাশিং অদুগী মনুংদা " সাবিত্রি, দেবলা দেবী, কর্ণ অর্জুন, চন্দ্রগুপ্তা, অলেকজেন্দর, রামের শুমতি, মখোয়সু মীনি, য়ূমগী মৌ, তাপসি, মেৱারপতন, বিসার্জন অমদি সদাশিবগী মঙ" নচিংবা মমিং লৈখিবা লীলাশিং ওইরি।

অশুম্না মতম শাংনা লমদম অসিগী কলাবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎন্নবা হোৎনবদা শক্লাইরবা অসিনা পামজনা লৌরম্বা থৌদাং অদুবু ঙসিগী অমদি তুংগী লাক্কদৌরিবা কলাবু পামজবশিংদা অনৌবা থৌনা অমা পীন্নবগীদমক শেমখিবা খোন্দ্রাম ধনচন্দ্র ফাউন্দেসনা শক্লাইরবা অসিনা লৈখিদবা নুমিৎ অসিদা অচম্বা নীংশিং মনা পীদুনা লাক্লি।

মনা অসি শেল ওইনা লুপা লিশিং ১০, লেংয়ান ফি অমা, চৈশু অমা ওইনা ফাউন্দেসন অসিগী মায়কৈদগী পীবা শকখঙ-চে অমগনি। লমদম অসিগী থিয়েটরগীদমক্তা মতম শাংনা কৎথোক্তুনা, শীংথানিঙাই ওইবা খূদোল কয়া তৌদুনা লাক্লবা শাক্লাইরবা এক্টর, ডাইরেক্টর ( নুপা অমসুং নুপী) দা পীবা ৮ লক শুবা খোমদ্রাম ধনচন্দ্র নীংশিং মনা লাম্থোকখ্রবা থিয়েটরগী শক্লাইরবা ওজা নবা ৱারেপ্পা ইং কুমজা ১৯৪১গী ওক্টোবর ১৬ থাংজা নুমিৎতা হাওবম মরক থিঙেল ঙাঙোম লৈকাইদা পোকখি।

অপোকপগী মিংনা ৱারেপ্পম চৈতেন্য সিংহ, অপোকপীগী মিংনা শ্রীমতী অঙৌরৈ দেবী কৌই। মহৈগী থাক বি এ / বি ই দিনি। খূনাই অসিগী মখল কয়াগী কলাগী লৈনমলক্তা চেন চোঙদুনা শন্নবা ফঙলকখিবনা শক্লাইরবা ওজা অসিগী থম্মোয়দা লৈনমশিং অদু চুদুনা লৈহৌখি। ইং কুমজা ১৯৬৫ দা ওজা অসিগী আদি গুরু ওইরিবা হৈস্নাম কহ্নাইলালগী লমজিং মখাদা লিংখৎখিবা থিয়েটর মিররগী থৌমী অমা ওইনা ঙসি ফাওবদা চহী ৫৫ চূপ্না সংস্থান অসিগী অচৌবা থৌদাং লৌরি। লোয়ননা হৈস্নাম কহ্নাইলাল, লাবুকতোঙবম শ্যামমো শর্ম্মা, পুখ্রম্বম শামু, নিংথৌজম তোম্বী, কবি রতন, লাইশ্রম নেত্রজিৎ, ওজা অমুয়াইমা ( ট্রোঙলাওবী)গী লমজিং মখাদা কুমহৈ চাম্মা হেন্না শক্তম লাঙখ্রে।



ফম্বাক কুমহৈ অমদি শুমাং লীলা চাম্মাগী মথক্তা ডাইরেক্টর পীখ্রে। লোয়ননা বেষ্ট এক্টর অমদি বেষ্ট ডাইরেক্টরগী মনা মথুম কয়া অমসু ফঙবা ঙমখ্রে। শক্লাইরবা ওজা অসিবু শক খঙবীদুনা ঙসি ফাওবদা ফঙখ্রবা এৱার্ড খরদং পনবা তারগদি- ইং শোক ১৯৯০ দা মণিপুর ষ্টেট কালা একাদেমি এৱার্ড, ২০০০ দা নাত্যশ্রী এৱার্ড, এলাহাবাদ, ২০০৯ দা নাত্য ভুষন, থিয়েটর মুভমেন্ট, কটক, নেস্নেল ডা. অমবেদকর ফেলোসিপ অমদি তম্ম্রপত্র দি মহারাজ ওফ মণিপুরনি।

২০১০ দা লাইফ তাইম এচিভমেন্ট এৱার্ড, থিয়েটর সেন্টর মণিপুরনি। ২০১১ দা নাত্য রত্ন, উৎকালমুব সংস্ক্রিটি ওড়িষানি। ২০১৪ দা ইন্টরনেস্নেল লাইফ তাইম এচিভমেন্ট এৱার্ড, আই এন এফ এ কথমন্দু অমদি লাইফ তাইম এচিভমেন্ট এৱার্ড, মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিলনি। ২০১৫ দা ইন্দো-শ্রীলঙ্কা ফেন্দসিপ ইন্টরনেস্নেল এৱার্ড কলম্বো, পাম্থোইবী নাট্য মন্দিরনা পীবা মীং লেনখোংঙা, রূপমহল থিয়েটরগী নিলামনি নীংশিং মনানি।

২০১৭ দা জি তোম্বী মেমোরিয়েল এৱার্ড, লাঙমৈদোং ড্রামাটিক য়ুনিয়ন, কনফার্দ ' পদ্মশ্রী ' থিয়েটর গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা পীবা। ২০১৮ দা কনফার্দ ভায়োশ্রেষ্ট ( ক্রিএটিপ অর্ট) এৱার্ড গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানি। ২০১৯ দা এল ধনঞ্জয় এৱার্ড খোরিফাবা অর্ষ্টিস এসোসিয়েসননা পীবা, ইরাবোৎ নমা সেলিব্রেসন কম্মীটিনা পীবা জননেতা ইরাবোৎ মনা অসিনচিংবা এৱার্ডশিং অসি শীংহথানবা য়ারবা এৱার্ডশিং ওইরি। মাশাগী চহী ৭৯ শুরবা ওজা ঙসিসু ইরমদম অসিগী মাঙশল্লক্লবা কুম্মৈ অমদি ইনাৎকী শক্তম কননবা হোৎনবনা লেমহৌরিবা পূন্সিগী লাইনিং ওইরি।

হৌখিবা চহী ২০১৩ দগীদি মনা অসি ষ্টেটকী থাক্তা পীদুনা লক্লি। মমাঙদা এৱার্ড অসি ফঙখ্রবা শক্লাইরবা শক্লাইরবীশিং অদুদি- ইং শোক ২০১৩ দা হৈস্নাম ওঙবী সাবিত্রি দেবী, ২০১৪ দা ওইনাম বীরমঙ্গোল সিংহ, ২০১৫ দা এলাংবম জয়চন্দ্র সিংহ, ২০১৬ দা হৈস্নাম কহ্নাই সিংহ, ২০১৭ দা ইরেংবম কহ্নাইলাল সিংহ, ২০১৮ দা ক্ষেত্রিময়ুম ইবোহল সিংহ অমদি ২০১৯ দা রতন থিয়ামনি।

চহী অসিগী ওইনা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমিগী সেক্রেটরী এল কেশ্বরজিৎ সিংহনা অথোয়বা মীথুং লেন ওইনা এম দি য়ুগী প্রসিদেন্ট সোরাইশোম কেশ্বরজিৎনা প্রসিদেন্ট অমদি সিনে রাইটর এন্দ প্লেরাইট ফোরমগী প্রসিদেন্ট মনাওবী এম এমনা গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইদুনা পাঙথোকখিবা চিং লেম্লবা থৌরম অমদা থিয়েটর ডাইরেক্টর নবা ৱারেপ্পদা ৮ লক শুবা খোমদ্রাম ধনচন্দ্র নীংশিং মনা ২০২০ খূৎশিন্নখি।

## ঐচ য়াজেসে

# মহৈরোইশিংগী খুদোল



*TITLE : LOTUS*
**Armstrong Singh Oinam**
Class: KG
Sec :A
Roll No- 1
School: UNACCO SCHOOL MEITRAM





*TITLE : FISH*
**Shreya Kumari**
Class: KG
Sec :B,
Roll No- 24
School: UNACCO SCHOOL MEITRAM





*TITLE : SHIP*
**Satchidananda Konsam**
Class: KG
Sec :A,
Roll No-17
School: UNACCO SCHOOL MEITRAM





*TITLE : SCENERY*
**Ulyana Konsam**
Class: KG
Sec : A
Roll No- 19
School: UNACCO SCHOOL MEITRAM





*TITLE : SCENERY*
**Milton Angom**
Class: Pre-Nursery
Sec :A,
Roll No- 11
School: UNACCO SCHOOL MEITRAM






*TITLE : DOLL HOUSE*
**Lanchenbi Th.**
Class: Pre-Nursery
Sec :A,
Roll No-7
School: UNACCO SCHOOL MEITRAM





*TITLE : FISH*
**Jackson Khomdram**
Class: Nursery
Sec :A,
Roll No- 7
School: UNACCO SCHOOL MEITRAM






*TITLE : SCENERY*
**Benika Oinam**
Class: Nursery
Sec :A,
Roll No- 2
School: UNACCO SCHOOL MEITRAM






*TITLE : ROSE*
**Ngangom Ronaldo**
Class: V, Sec :B, Roll No- 20
School:St. George High School





*TITLE : COUPLE BIRD*
**Ngangom Frings**
Class: VII, Sec :B, Roll No- 55
School:St. George High School








Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*